জাপান লাম্মীনা শিরকপা

কোরিগী তকমান অমগী বারী

(*A JAPANESE AMULET*)



খোমজিন্নবা :—

লৈশাং চাওবা

জপান লান্মীনা শিরকপা কোয়গী তকমান

অমগী ৱারী

ইমা অমস্তুং পোক্লফম লমদমনা নোংদোনদগী হেন্না ৱাংই। ঐখোয়গী ইমা লৈবাক মনিপুরসি পিকচরস্তু য়াম্না মথুক তপ্পী, য়াম্না ফজবী অমস্তুং মতিং মগুন লৈবী ইমা লৈবাক্নি। অশংবা লৌবুক লমহাং, নেমতক তৌরবা চিংশাংশিং, থেক্ল-কোয়না চেল্লীবা তুরেনশিং, লোক্তাক ইশা মাপন্না অমুকস্তু হেন্না থোইনা ফজহল্লি। মথাকপু ঐখোয়না নুংশিজৈ অমদি নুংঙাইজৈ। চরোইনচিংবা চেকলা কয়ানা নীংথিবা খোঙ্হাংদা ইমা মাবু শৈথাহনবা মতম শৈশকচরি। মহৌশাগী খুংশেন্না অঙৈং-অশা থায়হনা মাল্লংবনা লিরি শিংপা, নোংজু মরাং কাইবা অৱাং অপা লৈত্রবা ঐখোয়গী অংতা ঙাইরবা ইমা লৈবাক মনিপুরনা ভারতকী নোংপোক চিদাইদা ঈংনা লেম্না লৈবনা খুংকন-পাঙ্গনবা অমদি অকন-অথৌ কয়া পোকখিবা অমস্তুং মমা লৈবাক্কীদমক্তা মথরাই কয়া কংখ্রবা লৈবাকনি। পিক্লবস্তু ইনিন চাওবা থাগী থ ম্রং অমদি অৱা অমস্তুং তথেন্না কিনরমইবা লৈবাকনি।

মতমগী খোংলৈ মতুংইন্না ঈরৈবাকসিদা অকনবা লাল কয়া থোকখি অহুগা ঐখোয় মীয়োলদস্তু থোকখিবা অনিশুবা মালেমগী লাঞ্জাও য়াম্না অকিবগী মশকনি। লাঞ্জাওসিদা জর্মনগী লুচিংবা হিটলরনা ইহান হাম্না পোলেণ্ডদা লান্দাগে হায়বা থমখি। অহনা মরম ওইহনা লান তোবা য়াননবা মরম থম্না হেক্তা

পিশিল্লগা মতুদা ইন্দে হায়দুনা শক ১৯৩৯ গী সেপ্তেম্বর থাগী তাং ১গী অয়ুক্কী পুং ৪-৪০ তাবদা পোলেণ্ডদা লান তৌরগনি হায়না জর্ম্মনগী মাইকৈদগী হিটলরনা লাওথোকখি। মহাক্না লাওথোকপা মতমদুমক্তদা হান্না শীন্নদুনা পোলেণ্ডগী ঙমখৈ গারিংদা বোম কয়ামরুম থাদদুনা, এরোপ্লেন কয়া ডংদুনা থমনমখি। মতমসিদা পোলেণ্ডগী এরোড্রোমদগী প্লেন পাইখংপা নংজ্রিবৈ অমস্তুং তোপ কাপ্লবা গী অমতা মকম চানা শেমশাদ্রিবৈদা ইখঙ খঙহৌদনা বোম কয়া থাদরুবা পুং অহুম্লোমগী মনুংদা পোলেণ্ডগী নোংথকী লান্মী পুমতোই তোইহনখি।

চহিসিগী সেপ্তেম্বর তাং ৩দা ইংলেণ্ড অমস্তুং ফ্রান্স অনিনা জর্ম্মনগী মফমদা লান তাগনি হায়না লাওথোকল্লে। রুশনস্তু সেপ্তেম্বর ১৭ তা পোলেণ্ডগী নোংপোক লামদগী লান তাশিল্লকখি। ইরোয়নন্না পোলেণ্ড লান্মী ১০,০০০ কাপ্পুনা হাংখি। মতাংসিদা জর্ম্মনগী অকিবা ফংলবা লান্মী অতৎ অথম কৈতনা ফুজিল্লক্তুনা পোলেণ্ডগী সিফাই লাক্ষ মরি লিশিং য়াঙৈ (৪,৫০,০০০) ফাখি। তোপ নোংমৈ ১২০০ লৌখি। মসিগা ইরোয়ননা মাঙহনখিবা অমদি লৌশিনখিবা লানগী এরো প্লেন্না ৮০০ রোম্নি। অস্থুম ত্তংতনা শোক্লখিবা লানফমশিংদুদা নুমিৎ ১৮গী মতুংদা পোলেণ্ডগী লান্মী ব্রিগেদ অমা ফাওবা মঙং চানা লৈখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা পোলেণ্ড কোন্নুং ব্বারশো অদু সেপ্তেম্বর তাং ৩০ দা জর্ম্মনগী মখুৎতা তাখি।

মথং মথং মালেমগী লৈবাক অযাম্বা অমনা অমদা মীচং চঙশিন্নরগা লান য়াঙশিন্নরক্তুনা মালেম পুম্বগী লাঙ্গাও ওইখি। হিটলরনা মহাক্কী কারাম চাৎবা অমস্তুং মপাঙ্গন মথৌনাগী মপান্না পৃথিবীগী অচৌ অচৌবা লৈবাকশিংনা হায়বদি ফ্রান্সকী লমপোক ১৯৪০ গী জুন থাগী তাং ২৫ দা লৌশিননখি।

পৃথিবী লান্‌থাওসিদা বিলাতা জর্মনগী প্লেনশিং শক ১৯৪০ আগষ্ট তাং ৮ দা বিলাতকী মৈরম পাংবদা বোম থাদখি। মতমসিদা বিলাতকী কীওম য়াম্না ফংলমদে। জর্মনশিংনা হন্নহন্না লণ্ডন্দা ১৬ লক লান্দখিরমই।

অসুম্না পৃথিবীগী লাম্লাংসি পাকথোক চাওখ্রোকখুন্না মণিপুরদসু জপাননা মণিপুরগী ইম্ফাল-হান্না শোক ১৯৪২ গী মেগী তাং ১০ গী অয়ুক্কী পুং ১০ খন্না হেক্রপা মতমদা বোম কয়া থাদত্তুনা অমাং অতা, মীশি মানা কয়া থোক্কহনখি। হায়ব্রিবা লানসিদা জপানগী লম্মী অমনা শিরকাখিবা কোরিগী তকমান (Amulet) অমা লাপ্তোন চৌংগী খাথংবা চৌংপাংদা লৈবা তরুং খুন্দা (হান্না নওারক কানবী হায়না খঙনবা মমম) নোনা খুন্দাদুনা লৈবা ইবুংঙো কামৈ কৈশিং য়োংমৈ কোবা নাগা অমনা মাগী ইংখোল কোইনবা তোরবদা হায়রিবা কোরিগী তকমান থাইনাগী পৈশা অঙাংবীমক চাওবা মঙ্গাকগী ময়ুংনা খন্না হেল্লপ তৌবা অসি ফংলকখি। মহাক্না অসুম্না তাকপারমই মংদি, মহাক্না নেংমা এপ্রিল থাগী তাং ১, ইংশোক ১৯৬৫গী অয়ুক্কী পুং তরুকলোম তাব মতমদা মহাক্কী নোনা খুন্দাবা ইংখোলদা মনা মশিং থানবা য়েংপাং তৌবদা হৌজিক্কী কোরিগী তকমান অসি ফংলকখি। মহাক্না ইচম চম্না কনাদসু হংবা তৌদনা মহাক্কী একাগাড়ীগী শোঙ্গে য়ান্ননবা শো মরিদা মহু য়ান্দুনা হাপ্লমই। অদুবু মতম কুইমগী মতুংদা চাওরাক্লা চহি ৭ (তরেৎ) য়োম লৈরগা নোংমগী তাপ্পা অমদা ঐহাক্না মহাক্কী শো মরিদা য়াওরিবা তকমান অদু উখি অমসুং পাইদুনা য়েংবদা জপানগী/চাইনগী ময়েক্না মরোল খন্না ইবা অমসুং অতোপ্পা মাকন্দা বুদ্ধদেবগী অয়েপ্পা শকথম য়েক্তুনা য়াওবা অদুদা অদুম্না পোৎ অক্তে হায়না খঙদুনা কৈশিংগী মকমদা ঐঙোন্দা পিননবা ঙাংনরগা মমল খর পিদুনা লৌখি।


[illegible]

[illegible] (Monoplane) [illegible]

[illegible] ১৩/১৩ [illegible]

[illegible] Museum[illegible]


[illegible] (Embassy) [illegible]



জপান ব্রাহৈশিং অহুগী ব্রাহ্মণ্যাকশিং মখাদা পিজরি :—

"TEN VERSES OF THE "KANNON" (The Goddess of Mercy) FOR PROLONGING THE LIFE"

The Goddess of Mercy save us,
Buddha,
We are with you.
There is Budha involved in the cause
There are Budha, His truth and his priest in Karma,
Karma always request me to be pure & honest,
In the morning, I pray the Goddess of Mercy,
In the evening, I pray the Goddess of Mercy,
Following the heart I give a prayer,
And never deviate from the heart"



মসিগী ইমায়োলগী য়াহন্থোক মথাদা অমুক পিগুরি:—
পুন্সি মুংশাংনবা "কাম্মোন" (থোজালগী লাইরেম্বীগী শৈরেং তরাদংঃ
থোজালগী লাইরেম্বী, কনবিয়ু ঐখোয়বু;
বুদ্ধ,
ঐখোয়স্ন নংগা লোইনবনি,
বুদ্ধদি মরম খুদিংদা ইয়াওদা য়াওবনি,
বুদ্ধদি মক্ষম খুদিংমক্তা লৈ,
মহাক্তী অচুম্বা, ১দি ধর্ম্ম শন্দোকপগী মথৌদা বুদ্ধনা লমজিংবিরিবনি,
ইথৌ তৌবনা ঐবু অশেংবা অমসুং পূকচেল শেংবা ওইহল্লী,
অয়ুক্তস্নু ঐনা থোজালহৈবী লাইরেম্বীবু খুরুমজে,
নুমিদাংবাইদস্নু ঐনা থোজালহৈবী ইমা লাইরেম্বীবু খুরুমজে,
অত্থুগা ঐনা খম্মোইরুংদগী লাপথোকপিহনগনু।"

[illegible] [illegible] [illegible] শিংলু [illegible] লিজবদি পোইদনা [illegible]পাই [illegible] লাকুই [illegible] ইথক খঙহৌদনা ঐগী মরুপ রাজকুমার বুধিস্না, উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকাইদা লৈবনা মহাক্কী মচা ইবেম্মা রাজকুমারী স্নাহনবী দেবীনা মনিপুর অগোই মরুপকী লৈবাক মপান লামা চৎপা খোঙচং অমদা অপানগী তকমানগী কোটো অহু শিন্নখিবদা মহাক্কী লূচিংবা ডাইরেক্টর লৈখিরবা শ্রীযুরেনথয় ব্রজমনি সিংহ উরিপোকতা লৈবনা রাইহেশিং অহু অপান মচা *Research Scholars, I. N. U. New Delhi* না ইরাই লাগনা হন্দোকপিরকুনা. মতম কুইনা চহি ১৪/১৫ চঙনা হোংনজবহু খঙজখি। মসি কংননবা হোংনবদা মতেং পাংবিখিবা ইবুংঙো ইবেম্মাশিংবু ঐনা তাইবং মপুগী খুযাখাদা অকম্বা, মুংঙাইবা পিবিনবা মিজখি।

রাহন্থোক অসি কংজরবা মতুংদা অপানগী কোম্বিগী তকমানসিগী মপু ওইবগী Affidevit অমা Judicial Magistrate, Imphal দগী শোক ১৯৮৮ গী সেপ্তেম্বর তাং ১৬ তা লৌখোকখি। অহুগী মতুংদা পম্বা তৌদনা ঐঙোন্দা লৈরবদি কামদে খন্দুনা অকবা ইণ্ডিয়ান নেসনেল আর্মি (INA) গী Azad Hind Provisional Government Day কৌবা অচৌবা থৌরম অমদা শোক ১৯৮৮ গী ওক্তোবর তাং ২১ দা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাংথোকখিবা থৌরম অহুদা ঐখা মোইরাং INA Museum দা থমনবা মতমহুগী ইকাই খুম্নজরবা আর্ট অমস্নুং কলচরগী মন্ত্রী শ্রীর ই ইরাবোৎ সিংহগী মখুৎতা থৌরম লোইরমদাই পুং ৫ রোম তাবদা শিন্নজখি অমস্নুং মতমহুগী ডাইরেক্টর শ্রীচোংথাম সোমোরেন্দ্রনা মোইরাং INA Museum

মা' থাজনবা' [illegible] হায়রিবা' থৌরমশিন [illegible] মরূপ কৈশিং কাথেম্ 'ঐনা কৌহুনা ঐখোয় অসি চত্না' থাজিনা [illegible] শরকনি।

লৈশাং চাওবা
হায়গী SOC (Scout)
শিংজমৈ মখা লৈশাংখেম লৈকাই,
ইম্ফাল, মনিপুর।

তাং ২৭-৮-৯৩ ইং



L. Chaoba Singh,
Singjamei Leishangthem Leikai, Imphal.

Printed at:— Shanti Press, B. T. Rd. Imphal
Copies 1000.